## রিও ওলিম্পিক্সতা ফজখিদবদগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মথংগী ওলিম্পিক্স ৩ গীদমক টাক্স ফোর্স শেমখ্রে, বোক্সিংদা ফজখিদবদগী কোচ সান্ধুনা মরাল য়াজরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ঃ


রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শুপ্নগী সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেডল অমমখক ফংলক্লতুনা মমাঙদা পান্নরম্বা মেডল মশিংদগী কা হেন্না হন্থরকখিবা থৌওং অদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মখা তারকপা ওলিম্পিক্স ৩ দা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স লৈনবগীদমক টাক্স ফোর্স শেমখ্রে। নাকল অমরোমদা লৈবাক অসিগী মায়কৈদগী বোক্সিংগী দিসিপ্লিনদা শরুক য়াখিবা বোক্সর ৩ মক মেডল অমত্তা ফংলকখিদবগী মরাল অনী টিম কোচ ওইরিবা গুরুবাক্স সিংহ সান্ধু মশামক্লা য়াজখ্রে।

পনবা য়াবদি লন্দনদা পাঙথোকখিবা ২০১২ গী ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী কোন্টিনজেন্ট ৮৩ চৎখিবগী মনুংদা পুন্না মেডল ৬ ফংলকখিবনি। মদুদা সুট্টিং অমসুং রেষ্টলিং ইভেন্টতা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২। ২ ফংখি। লোয়ননা বেদমিন্টন অমসুং বোক্সিং ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংলকখি।



*রিও ওলিম্পিক্সকীদমক খোঙশানদ্রিঙৈদা শান্নরোইশিংদা য়াইফ থৌজাল পীখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি*

হায়রিবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংলুরগা হন্দক ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকপা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা ওলিম্পিক্স পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্বা শান্নরোই ১১৮ শরুক য়াবগী রেকোর্দ থল্লিবনি। মসিদা মেডল ফংবা য়াবগী আশা চাউনা তৌনখিবনি। অদুবু শুপ্নগী বেদমিন্টন অমসুং রেষ্টলিংদা সিলভর মেডল অমগা ব্রোঞ্জ অমগা ফংলগা মেডল অনীখক ফংলকপা অসিদা হন্থরক্লিবা পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা তুংদা লাক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স ৩ দা ইন্দিয়াগী পার্ফোমেন্স হেন্না ফজনবগীদমক টাক্স ফোর্স অমা শেমখিবনি।



*ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী চীফ কোচ গুরুবাক্স সিংহ সান্ধু*

ৱাফম অসি মোডিনা থা খুদিংগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সকী পাঙথোকপা মীফমদা ফোঙদোকখিবনি। থাজবা য়াবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না ২০২০, ২০২৪ অমসুং ২০২৮ গী ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পার্ফোমেন্স ফজবা হেনগৎতুনা মেডল মশিং হেন্না ফংননবগী পান্দম থল্লিবনি। মসিদা মপুং ওইনা শান্ন–খোৎনবগী চঙগদবা মচাকশিং অমদি মফম, শান্নরোইশিংগী ত্রেনিং লোয়নননা অফবা শান্নরোই খনবগী মতাং দা কুপ্না য়েংনশিনগনি হায়রি। হিরম ৩ অসিদা নত্তুনা অতোপ্পা মরী লৈনবা হিরমশিংদসু য়েংশিন্দুনা তুং কোইনা মেডল য়াম্না ফংননবগী লাল্লোং অমা শিল্লকপনি হায়না লিখুন অসিনা হায়রি।

লোয়নননা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর নরসিংহ যাদবগী মতাংদা লৈরক্লিবা দ্রগ শিজিন্নবগী ৱাফম অসিগী মরিক চুম্বা পাউদম অমসু অথুবা মতমদা পীখৎলক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

নাকল অমরোমদা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী মীওই ৩ না শাবা টিম অদুনা মেডল অমফাওবা ফংলকখিদবা অদুগী মরাল অদু চীফ কোচ ওইরিবা গুরুবাক্স সিংহ সান্ধুনা লৌজখি।

পনবা য়াই লন্দনগী ২০১২ ওলিম্পিক্সতা মণিপুরী মচা এম সি মেরি কোম্না নুপীগী বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী ব্রোঞ্জ মেডল অমা পুরকপা ঙমখি। মদুগী মাঙওইননা চাইনাগী সহর বৈজিংদা কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্সতা বিজেন্দর সিংহনা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংলকখিবা অদুগী মতুং মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী মেডল ফংবা য়াবা দিসিপ্লিনশিংগী মনুংদা বোক্সিংসু অমা ওইরকখিবনি। অদুবু রিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সর অমত্তা ক্বালিফাই ওইখিদ্রবা মতুং নুপাগী বোক্সর ৩ না ক্বালিফাই ওইরকপদা মেডল শুংশোয়দনা ফংলক্কনি হায়না পানখিবনি।

নুপাগী সিব থাপ্পানা কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌবা, কেজি ৬৪ গীকেটেগোরিদা মনোজ কুমারনা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবা অদুগা কেজি ৭৫ গীকেটেগোরিদা বিকাস কৃষননা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবা অদুনা মেডলগী আশা পুম্নমক লোইশিনখিবনি। হায়রিবা মেডল ফংলকখিদবা পার্ফোমেন্স অদুগী অশোয়বশিং চীফ কোচ গুরুবাক্স সিংহ সান্ধুনা মরাল য়াজখি।

লন্দন ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেডল অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংলকখিবা সুট্টিং ইভেন্টতা হন্দক রিওগী ওইনা মেডল অমফাওবা ফংলক্তবা অদুগী মতাংদসু মশামক শরুক য়াখিবা অভিনাব বিন্দ্রানা লুচিংবা কমিতি অমনা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং অদুনা শোয়খিবা অমদি ৱাৎহৌবা জগাশিং অদুবু য়েংনশিনগদৌরি।

## ১২শুবা এন হরিচন্দ্র ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



জিরিবাম, ওগষ্ট ২৭ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন, জিরিবাম না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট, হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দ টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চাৎথরিবা ১২ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব–জুনিয়র বোইজ ( চহি ১৫ অমদি মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট মেটচ তা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি আর ৱাই সি রেমগাইজঙ শান্নখি। ইচেল ক্লব ববুপারা গী সনারোই পাওসিন রোংমৈ না ৩৩ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ফার্ষ্ট হাল্ফ মমাংদা ইচেল ক্লব দিবোংনা গোল ১–০ দা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা আর ৱাই সি রেমগাইজঙ গী সনারোই চিনখুংহুই না ৫৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা দ্রো ওইখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা গিলগাল ৱাই সি অমদি সিনলোন ক্লব কা শান্নখি। গিলগাল ৱাই সি না সোস ঙমদুনা সাইদ খানখি অদুগা সিনলোন ক্লবনা বোল কাওবা হৌখি। সিনলোন ক্লব কি শান্নরোই চাঙখুমাং না ১৬ শুবা মিনট তা গোল অমা চন্দুচনা একাউন্দ হাংদোকখি। অদুগা টিম অসিগী সি ঐচ ভিটর না ৬০ শুবা মিনট তা গোল অমগা চন্দুনা সিনলোন ক্লব কী পুন্না গোল ২ ওইখি। মসিগী ময়োক্তা গিলগাল ৱাই সি শান্নরোই ফিলিপ না ২৫২৭৪০ অমদি ৭০ শুবা মিনটথা পুন্না গোল ৪ চনখি অদুগা লালসঙকুম অমদি জসুৱা না ১৯ অমদি ২২ শুবা মিনটথা গোল অমমম চন্দুনা গিলগাল ৱাই সি গী পুন্না গোল ৬ চনখি।

মথংদা সনাগদবা অহানবা মেটচ তা টুইসন এফ সি য়াওল ক্লব চম্পানাগর গা শান্নরগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতনা ইচেল ক্লব দিবোং অমদি পি ৱাই সি ফাইতোল কা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি জিরিবম বজার দা লৈবা এন সঙ্কর সিংহ না মহাক কী লৈখিদ্রবা মপাবুং গী মমিংদা কচ্চবা টুর্নামেন্ট নি।

## মণিপুর টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১ দগী ৩ ফাওবা মহারষ্ট্রগী নাসিকতা নাইন– এ–সাইদ ফুটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া গী মীৎয়েং মখাদা পাংথোক্কদৌরিবা চহি ১৪ গী ৫ রক শুবা নাইন এ সাইদ ফুটবোল ফেদরেসন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ দা শরুক য়ারুনবা মণিপুর টিমগী খনগৎলবা প্লেয়র অমদি ওফিসিয়েল হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মণিপুর টিম অসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্প্লেক্সতগী অয়ুক পুং ১০ তাবদা দিমাপুরগীদমক খোংশানবা হৌগনি।

মরম অসিনা প্লেয়রশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং অসিদা লৈবাক্কী ইরাংনা মরম ওইরগা অপনবা পীবিগনু হায়না ওল মণিপুর নাইন এ সাইদ ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সিফু টি এচ নরেন্দ্রো না মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

## হেরা ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন না শীন্দুনা জিরিবামগী কলিমাই মান্দবতা থা অসিগী ৫ দগী কাংখুৎ ৬ না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা ফার্ষ্ট টি ঐচ হেরা সিংহ মেন্স ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম ৱাই সি শিংঙাবোন্দ না সি এ ৱাই সি সোরোক অটিংবী বু পাঞ্জল ১৪–১১ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাই ৱাই সি সোরোক অটিংবী কাংখুৎ না তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খানখি অদুগা এম ৱাই সি শিংগারবোন্দ না কাং কাপ্পা হৌখি।

কাংখুৎ অনিমক না কন্না শান্নখি অদুবু অরোইবা পুংজাদা এম ৱাই সি শিংগরবোন্দ না সাই এ ৱাই সি সোরোক অটিংবী বু পাঞ্জল ১৪–১১ দা মায়থিবা পীখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা এন কুঞ্জামোহোন সিংহ না অম্পায়র ওইখি অদুগা কে ঐচ সন্তি না স্কোরর ওইখি।

হয়েং এল ই সি ববুপারা অমদি এম আই টি এল গা শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী পেস ফাইনেল য়ৌখ্রে

ৱিন্সতন সালেম, ওগষ্ট ২৭ ঃ

য়ু এস এ গী সহর ৱিন্সতন সালেমদা চত্থরিবা এ দি পি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমসুং জর্মনিগী এন্দ্রি বেজিমান ফাইনেল য়ৌখ্রে।

লিএন্দর পেস অমসুং বেজিমান্না ঙরাং শান্নখিবা সেমিফাইনেল দা পাকিস্তানগী আইসম–উল–হক অমসুং স্বিদেনগী রোবর্ট লিন্সতেদপু ১–৬, ৭–৬, ১০–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমদি জর্মনিগী জুরা অদুনা স্পেনগী গুইলরমো গার্সিয়া অমসুং ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেনগা থেংনরগনি।



বি জে পি মণিপুরগী একজিক্যুটিব মেম্বর ওইরিবা এস মালেমজাও সিংহ, রিতয়র্দ আই পি এস আই জি পি না খুন্দ্রকপমগী পি আর ৱাই এ ক্লবকী শান্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখিবা

## ইন্দিয়া ‘এ’ গী শান্নরোই কেদর জাদবকী ফজবা পার্ফোমেন্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে

মাকে, ওগষ্ট ২৭ঃ

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দদা লৈবা মাকেদা ঙরাং শান্নখিবা টিম ৪ গী ওইবা ওভর ৫০ গী ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা ইন্দিয়া ‘এ’ গী বেটসমেন কেদর জাদবনা বোল ৮৩ দা আওট ওইদনা রন ৯৩ লৌখিবা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনেল পার্ফোমেন্স স্কৱাদ টিম্বু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী ‘এ’ টিম্না টোস ঙমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনেল পার্ফোমেন্স স্কৱাদ (এন পি এস) টিম্বু হান্না বেট্টিং তৌহনখি। মদুদা এন পি এস না অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৭ খক লৌবা ঙমখি। এন পি এস কী মায়কৈদগী বেটসমেন সাম হার্পরনা রন ৭৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি। মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা বেটসমেন ক্লিন্ট হিনক্লিফেনা রন ৪৩ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী বেটসমেশিংগী মনুংদা শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

হার্পরনা আওট ওইদনা বোল ৮০ দা রন ৭২ লৌখিবা অদুদা পুন্না ফোর ৬ য়ৈবা ঙমখি। অমরোমদা রন ৪৩ লৌখিবা সি হিনক্লিফেসু ফোর ৬ য়ৈরমখি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম ওইরিবা এন পি এস কী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৭ খক লৌহনখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মনুংদা বরুন আরোন্না রন ৫৮ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। অমরোমদা স্পিন্নর ২ জয়ন্ট যাদব অমসুং অক্ষার পটেলনা ৱিকেট অমমমসু লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা মথৌ তাখিবা রন ২০৮ লৌননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়া ‘এ’ গী টিম ৱিকেট ৩ তুরগা শুপ্নগী রন ৪১ দা লৌরগা লৈখিবদগী ফিভম য়াম্না শোককখি। ওপনর অনী মন্দিপ সিংহ অমসুং করুন নায়র মথংশিৎনা রন ৪ অমসুং ১৪ লৌরগা আওট ওইখি। মখোয় অনীগী মতুংদা কেপ্টেন মনিস পান্দেসু শুপ্নগী রন ১০ খক লৌরমখি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন কেদর জাদব অমদি শ্রীয়াস আয়রনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুবু য়াম্না ফজবা মওংদা পুরক্কুনা ৪ শুবা ৱিকেট পার্টনরসিপকীদমক রন ১৩৫ হাপচিল্লমখি। শ্রীয়াস আয়র রন ৬২ দা আওট ওইখ্রবা মতুং হর্দিপ পান্দিয়া অমদি কেদর জাদবনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনেল পার্ফোমেন্স স্কৱাদনা লৌরম্বা রন ২০৭ অদু লাম্থোক্তুনা রন মায় পাকপগী রন ২০৮ অদু ইন্নিংসকী ওভর ৩৮ গা বোল ২ শুরকপদা লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি। জাদব আওট ওইদনা বোল ৮৩ দা রন ৯৩ লৌখি। অদুগা পান্দিয়ানা আওট ওইদনা রন ১৪ লৌখি।

## রাদৱান্সকা অমসুং স্বিটোলিনা ফাইনেলদা শান্নরগনি ডবলসকীদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং মোনিকা ফাইনেল




ন্যু হাবেন, ওগষ্ট ২৭ঃ

য়ু এস এ গী সহর ন্যু হাবেনদা শান্নরিবা কোনেকটিকট ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা পোলেন্দগী শান্নরোই এগনিস্কা রাদৱান্সকা অমসুং য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনরগনি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিমক্কী ডবলসকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সানিয়া মির্জা অমসুং রোমেনিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কু ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমিফাইনেলগী অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা পোলেন্দগী শান্নরোই এগনিস্কা রাদৱান্সকা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা কিটোভানা লম্বা তৌনরকপদা পোলেন্দগী শান্নরোই এগনিস্কা রাদৱান্সকানা মেটচ অদু হেক হৌরকপদগী য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নদুনা পেত্রা কিটোভাবু লাকচনা শান্নবা ঙমদুনা অহৌবা সেটতা সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–১দা য়াম্না লায়না মায়পাকখি।



*নুপীগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী পোলেন্দগী শান্নরোই এগনিস্কা রাদৱান্সকা*

অনীশুবা সেট অদুদসু এগনিস্কাগী মায়কৈদগী হান্না শান্নখিবা মশান্না অদুগা চপ মান্ননা কিটোভাবু মায়োক্নদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী সেট অদুসু অহানবা সেট কুম্না ৬–১দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

রাদৱান্সকানা মহাক্কী ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনাগা থেংনরগনি। স্বিটোলিনানা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা স্বিদেনগী জোহানা লার্সনবু ৬–৪, ৬–২দা থোইরম্বনি।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ডবলসকী সেমিফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুগী জুরানা সেমিফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী জুরা এন্দ্রিয়া ক্লেপেক অমসুং কটারিনা স্রেবোটনিকপু ২–৬, ৬–৩, ১০–৮দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফাইনেলদা সানিয়া অমসুং মোনিকানা য়ুক্রেনগী কেটারিনা বোন্দারেঙ্কো অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী সিয়া জুঙ সুৱাংগা থেংনরগনি। কেটরিনা অমসুং সিয়ানা সেমিফাইনেলদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং কজাক্সটানগী য়ারাস্লাভা স্বেদোভাবু ৬–৩, ৫–৭, ১০–৭তা মায়থিবা পীরম্বনি।